# ইরমদমগী শেন্মিৎলোন ফগৎহনবদা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

লমদম অমগী শেন্মিৎলোন ফগৎহনবা হায়বসি হীরম কয়াদগী, মায়কৈ কয়াদগী ফগৎহনবা য়াই। পনবা য়াবা হীরমশিং হায়রবদি লম লমদুগী অঈং-অশা, লমিৎ-তুমিৎ, চীংয়া-তময়া, পাৎ-তুরেলগী ফীভম, লমদমদুগী পোত্থোকশিং, লমদমদুদা খুন্দারিবা অমদি লৈরিবা মীওইশিং অদুগী হৌন-লোইচৎ, চাকচা-যুথক, ফিজেৎ চাকচা, ৱাঙাঙ-শঙাঙ অমদি ৱাখল্লোন, লম্বী থোং অসিনচিংবা অসিনি। হীরম অমখক্তা, নাকল অমখক্তা চাওখৎলগা লমদমদুগী শেন্মিৎলোন হেক্তা চাওখৎপা য়ারোই। ঈরমদম কংলৈপাক/মণিপুরগী মহৌশাগী নীংথিজবা, লমদমসিগী মহাও লৈবা চীঞ্জাকশিং, নুংঙাইবা অঈং-অশা অমদি য়াম্না তোৎনা তিন্নবা ঙম্বগী ৱাখল্লোন অমদি হৈনবীশিং অসিদা য়েংলুরগদি লম-তু কোয়বগী (টুরিজম ইন্দষ্ট্রি) হীরমদদি য়াম্না মায় পাক্না শেমগত্তুনা ঈরমদমগী শেন্মিৎলোনদা মতেং য়াম্না ফংহনবা ঙমগনি।

হৌখিবা চহী মঙা তরাসিগী মনুংদা ঈরমদমগী পাল্লি পাল্লিবা লৈঙাক্লা হায়রিবা লম-তু কোয়বশিংগী পন্থুংফম শেমগৎপগী মায়কৈদা পূক্নিং লুপশিন্দুনা লমদম অসিদা লমকোয়বা কয়া পুশিল্লক্লবা হোৎনবদি উরে। খুদম ওইনা হায়রবদা ইরমদম কংলৈপাক্কী মপান্দা অমদি ইন্দিয়াগী মপান্দা লৈবা মীওইশিং ইরমদম কংলৈপাক/মণিপুরদা লাক্লবা হায়দুনা লমদমসিগী ওইবা পোৎলমশিংদা যুম্ফম ওইরগা ফেষ্টিবেল কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লি। হৌখিবা চহী মঙা তারা অসিদা মরু ওইনা কুমজা ২০১০ দা পাঙথোকপা হৌখিবা সঙাই ফেষ্টিবেল অসিদগী হৌদুনা। হৌজিক্তি অতোপ্পা ফেষ্টিবেল ময়াম অমসু হাপচিনবদগী ফেষ্টিবেলগী ফেষ্টিবেল ঙাক্তা ঙাইরে হায়বদুনি। মতাংসিদা খন্নবা য়ারিবা ৱাফমদি হায়রিবা লুপা ক্রোর ক্রোর থাদদুনা পাঙথোক্লিবা ফেষ্টিবেলশিং অসিনা লমদমসিদা টুরিজমগী লম্‌সিদা কান্নবা কয়া পুথোক্লবগে হায়বসিনি। হোয় পাল্লি-পাল্লিবা লৈঙাক্তুনবুদি লম-তু কোয়বা লাকপগী মশীং হেনগৎলে হায়না মখৌ পোঙনা মিদিয়াদা, পাউচেদা অমদি টি ভিনচিংবদা লাউরি। হংজনীংলিবা ৱাফমদি ফেষ্টিবেল ময়াম অমা পাঙথোকপদা থাদরিবা শেঞ্জাও ময়াম অদুগী তঙ্খায় ফাওবা হঞ্জিনবা ঙল্লব্রা হায়বসিনি। ৱাহংসিগী পাউখুম ওইনা হায়রবদা য়াই তুংদা কান্নবা পুরক্কনি তপ্না তপ্না হায়দুনা। মদুসু চুম্বা য়াই। অদুবু



ফেষ্টিবেলশিং অসিদগী হেন্না মরু ওইরিবদি লমকোয়বশিংগী পূক্নিং চিংশিনগদৌরিবা লমদম অসিগী মহৌশানা পীথোরকপা চীংয়া তময়া, তুরেল খোংবাল, পাৎ তুরেল অমদি লম্বী থোংনচিংবা শেমগৎ শাগৎপা অসিনি।

লমদম অমদা লমকোয়বা লাকপা হায়বসি চুম্নগী লম কোয়বা লাকপসু য়াওই অদুগা থবক্কী লাকপদা লমদম অদুগী নীংথিজবশিং অদুবু অমদি অতৈ নাৎকী ওইবা পোৎমশিং অমদি লমদম অদুগী চীঞ্জাকশিংবু মহাও তমনিংদুনা কোথোরকপসু ওইবা য়াই। পূম্নমক অসিবু উহনগে, য়েংহনগে হায়রবদি খ্বাইদগী অহানবদা শেমগৎকদবা পোৎলমশিংদি লম্বী থোং অদুনি। লম্বী থোং ফত্তনা করম্নবু নীংথিজবা মফমশিং অদুদা য়ৌবা ঙমগদৌরিবনো। অদুবু ঐখোয় ইরমদমগী লম্বী থোং অসিদি অসুক্কী মতিক ফত্তে। লোকল এম এল এশিংনসু শেমজিনবিদে অদুগা লমদমসিগী মরী লৈনরিবা মিনিষ্টরশিংনসু শেমজিনবিদে। শেমজিন্নবা শেল খরা থাদরকপদুসু মিনিষ্টরশিং অমদি থিকাদারশিং মান্নদুনা অয়াম্বা শেলদি মখোয়গী মখোয়গী ফুরিৎখাওদা হাপচিনখিবা ঙাক্তনি। মদুগী খুদম চাংদমশিং পীয়ু হায়রগনা লম্বী লম্বীদুদা অদুম য়েংবিরো। নীংথিজখ্রবা লমদমসিগী ইনক নক্না লৈবা লোক্তাক পাৎসি য়ৌনবা চৎপদফাও ফত্তবা লম্বী কয়া থেংনরি। অরাপ্পা চীংগী মফমদা লৈরিবা শিরোই লিলি, জুকো ভেলি অমদি অতৈ মফমশিং য়ৌগদবা লম্বীশিংদি কমদৌবা। ঐখোয়গী ইরদমদগী লম্বী শেমজিনবিদবদগী নাগালেন্দ ফাওদুনা চৎলিবা নৎত্রগা হৌজিক হৌজিকসু জুকো ভেলি চৎপদা, শিরোই লিলি য়ৌনবা চৎপা উখ্রুলগী লম্বী য়েংবীয়ু, কয়া নুংঙাইতে। তেনখ্রবা মফমশিং অসি য়ৌনবা চৎপদা পুংজা কয়া অমা মাঙহল্লে অমদি অৱাবা ওইনরি য়ৌবদা। নোং চুরদি লোইরে লৈখোমগা, কোমকুৎকনা। ম্যান্মার য়ৌবগী লম্বীসু য়াম্না মমিং লৈরিবা লম্বীনি অদুবু চীং হেক কাখৎখিবদদা অদুম হৌখ্রে লৈখোম অমদি কোমকুৎ লৈবা লম্বীদা।

মসিগী মথক্তা লম্বীসিদা লৈরিবা চ্যেক পোষ্টশিং অসিদা তৌরিবা থৌওংশিং অসিদবু কনানা মোরেদা চৎনীংগদৌরিবনো। ঐখোয় মীচমদি লায়রদনা হন্দক্তা আই পি এস ওফিসর নুপী অমদা ফাওবা য়াম্না উশিত্তবা মওংদা সিফাই মচা অমনা চৎহৈদবা লমচৎ চৎলুবগী পাউ ঐখোয়না তাখ্রবদুনি। অসিগুম্বা অৱাংবা থাক্তা লৈবা ওফিসর অমদফাওবা করিসু লৈতনা তৌবা ঙম্লগদি মীচম ঐখোয়, নখোয়দদি কমদৌবা। ঐহাক্লা ২০১৮দা মোরে চৎলুরগা হল্লকপসু ঐহাকপু তাইৱান পাসপোর্ট পায় হায়দুনা পুং অমা অনী ফাজিন্দুনা থমখিবনি খুদেংথাবী চেক পোষ্টতা। আই পি এস ওফিসরগী থৌদোক্তুদা নখোয় মণিপুরগী সী এম ফাওবা মৱা লৌদে কায়না হায়রকই হায়না থেংনখি পাউচেশিংদা। মসি পাল্লিবা লৈঙাকসিনা য়াম্না লুম্না লৌদুনা মীৎয়েং থম্বীবা মথৌ তাই। অসুম্না লম্বী থোং চৎথোক চৎশিন্দা অসুক অয়েৎপা খুদোংথীবা লৈরগদি করম্না লমদমসিদা লমকোয়বা লাক্লিংগদৌরিবা। টুরিজম ফগৎহনগে, চাওখৎহনগে, মপালগী মীওই কয়া লমকোয়বা ওইনা পুশিল্লক্কে হায়রবদি অহানবদা লমদম অসিগী লম্বী থোং ফগৎহনবা য়াম্না মথৌ তাই। লম্বী থোং ফত্ত্রবদি ফেষ্টিবেল ১০০/১০০ তৌসনু লাক্লোই কনাসু পাউজেল থাদুনা শেল পুথোক্তুনা কৌরুবা অচৌ-অশাং খরা নত্তনা।

লম্বী থোং শেমগৎপসিগী মথংদা লমকোয়বশিংনা থুংলগদৌরিবা, য়েংলুগদৌরিবা মফমশিং (টুরিষ্ট স্পোট) অসি শেগৎপিবা মথৌ য়াম্না তাই। লম্বী থোং শেমগৎপিরবসু মহৌশানা পীথোরক্লবা নীংথিজরবা মফমশিং অদুবু নীংথিনা শেমজিন শাজিনবিদ্রবদি মফম অদুগী নীংথিজবা, ফজবা অদো উহনবা ঙল্লোই মপুং ফানা। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা লোক্তাক পাৎ অসিগী অকোয়বদা লৈরিবা ফীভমশিং নীংথিনা শেমজিনবা মথৌ তাই। পাৎ অসিগী মনুংদা লৈরিবা অতোপ্পা ফুমশিং অসিবু নীংথিনা থম্বীরগা অতৈ নাপী, হাপু-হরাংসিদি শেংদোকপিগদবনি। লোয়ননা পাৎ অসিগী নীংথিজবা অসিবু মনুং মপাল য়ৌনা উবা ঙমজন্নবা অপিকপা হিনাওশিং শেমজিন্দুনা লম কোয়বশিংবু য়েংহনবগী খুদোংচাবদু পীবিগদৌবনি। কাউবিরোইদবনা হিনাওশিং অসি তোংবদা শীজিন্নবা লাইফ জেকেটনচিংবা য়াওহনগদবনি হিনাওশিং অসিদা। মসিনা খুদোংথীবা কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। লোয়ননা লমকোয়বশিংদা অখন্নবা ঙা মশীং নৎত্রগা পুংজাদা খোই চোপ্তুনা ঙা ফাবগী তঞ্জাসু পীরবদি অমুক্কা হেন্না নুংঙাইগনি, হরাওগনি খল্লি। অসিগুম্বা থবক অসিনা লমকোয়বশিংদা সুম য়েংবতা নত্তনা করিগুম্বা খরদা শরুক য়াবগী নুংঙাইবা অদু পীবি। টাইৱানদসু ঐখোয়না কোয়রুবা মতমদা খোই চোপ্পা অমদি অতৈ শান্ন-খোৎনবগী তঞ্জা কয়াসু পীবি। শিরোই লিলি, জুকো ভেলি অমদি অতৈ অতৈসু নীংথিনা শেমজিন শাজিনবা মথৌ তাই।

মসিগী হেক মথংদা লমকোয়বশিংনা লাকপদা নুঙাইনা অমদি য়াম্না তোঙানবা মওংদা লৈবা য়ানবা অদুগা শেলসু ইচং চঙদবিদা লৈবা য়াবা মফমশিং শেমগৎপীগদবনি। অচৌ অচৌবা হোটেল শাবখক্তনা লমকোয়বশিংনা নুংঙাইনা লৈগদবা নত্তে। শেল ইচং চঙদনা মীচম মীয়ামগা তোৎন তিন্নদুনা লম কোয়বশিংনা লৈবা য়াবা লৈফমশিং থম্বা য়াই। অসিগুম্বা লৈফমশিং অসিদি মরন্নাই যুম ওইনা লৈবনি, মসিবু "হোমেষ্টি" হায়না খঙনৈ। হোমেষ্টিদা লৈবগী চৎনবীসি চহী ১৫/২০ মুক শুরন্নানি টাইৱানদদি। হোমেষ্টি হায়বসি তশেংবদি মীচম মীয়ামগী মরন্নাই লৈজবা যূম ঙাক্তনি। মখোয়না শেল খরা তাঞ্জনবা হায়দুনা অশাংবা কা খরা লমকোয়বা লাকপশিংদা শান্দোকপনি। হোমেষ্টি নত্তবদা খাঙপোক মচা মচা কয়া শাবীদুনা লৈহনবসু য়াই খুঙ্গং খুঙ্গংদা।

হোমেষ্টিদা অমদি খাঙপোক্তা লৈবসে হোটেলদা লৈবগা য়াম্না খেন্নৈ। শেল য়াম্না তিংগদবতা নত্তনা হোমেষ্টিদা অমদি খাঙপোকশঙশিংদা লৈরগদি অচৌবা হোটেল লৈতবা অরাপ্পা খুঙ্গং অমদা নৎত্রগা চীংনুংদা লৈবা যূম অমদসু হেক্তা লৈবা য়াই চথোক-চৎশিনগী পাম্বৈবু লৈরবদি নৎত্রগা পীবিরবদি, হোমেষ্টি অমদি খাঙপোক্তা লৈবনা লৈকায় নৎত্রগা খুঙ্গং অদুগী মীওইশিংগা তোৎন তিন্নদুনা মখোয়গী লোল, নাৎ, চীঞ্জাক অমদি অতৈ চৎন-লোনচৎ কয়া উহনবদা, খঙহনবদা য়াম্না মতেং পাংই। ইশানা থোংদুনা চাবা য়াবগী চাকখুমনচিংবা পীবীবা হোমেষ্টি কয়া অমসু লৈ। নৎত্রগা যূম্বুদুগা পূন্না চাবা য়াবগী তঞ্জাসু পী। অদুবু টাইৱানদদি লম্বী থোং য়াম্না নুংঙাইবনিনা মফম অমদা হেক থোক্লগা চবা য়াবনিনা ঐখোয়না থোকপা অদুম চাজে। অদুবু ইরমদম কংলৈপাক্তুদি, মরু ওইনা অরাপ্পা খুঙ্গং অমদি চীং মানদি হোটেলনচিংবা মরাং কায়না লৈতবনিনা যূমদা পীজা



পীথকপা অদুনা হেন্না খুদোংচাবা ওইগনি লমকোয়বশিংগদমক্তদি।

ওষ্ট্রেলিয়াদদি "ফার্মষ্টে" হায়না ফার্মদা লৈদুনা মরু ওইনা মহৈরোয়শিংনা ইংলিসসু তম্বা অদুগা ফার্মশিং অসিদা থবক শূদনা শেলসু তানবগী চৎনবীসি লৈ। মসিমদি য়াররোই ঐখোয়গীদদি ইরমদমগী মীওইশিংদফাওবা থবক পীবা লৈতবনা। ঐখোয়গী য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয় তোয়না চৎলি ফার্মষ্টেগীদমক ওষ্ট্রেলিয়া - ইংলিসু তম্বা, লমসু কোয়বা অদুগা শেলসু তানবা, হোমষ্টে তৌবসিনা লমদম লমদমদুগী যূম্বুরেলশিংনা শেল খরা তানবা ঙম্বতা নত্তনা লমকোয়বা মশীং য়াম্না লাক্লবদি লমদমদুগী মীওইশিংদা শেন দাল লম্বী য়াম্না পীবি, মরু ওইনা রেষ্টুরেন্ট মচাশিং হাংদোকপদা, লমদমদুদা শাবা অমদি পুথোকপা পোৎ-চৈশিং য়োনবদা। লোয়ননা লমদম অদুগী লোল অমদি নাৎনচিংবা খঙহনবদা য়াম্না মতেং পাংই।

মসিগা লোয়ননা য়াম্না মরু ওইরিবা অমনা ঐখোয়গী লমদমসে লু-নান্না থম্বা মথৌ তাই। মোৎপা হায়বসিদবু কনানসু পামদে। অমোৎপা মফমদবু কনানা কোয়বা লাক্লিংদোইনো। ঐখোয়গীদি ইম্ফাল হেক য়ৌরকপদা ইম্ফাল মনুং অমদি অকোয়বদা লৈরিবা অমোৎপা ময়াম অসি উবদা অদুম অকিবা ফাওহল্লে লমকোয়বশিংদা। অমোৎপা ময়াম অদু উবদা চানিং থক্লীংবকা লোইনা কাউহনবজাৎনি। চাবা থকপদি লায়রদনা নীংশা শ্বর হোনবফাওবা কিনরিবনি। লু-নান্না থম্বগী হীরমসে লৈঙাক্লা য়াম্না লুম্না লৌবিফম থোকই। ঐহাক্লা লৈঙাক্তা হায়জরিবসিগী মরমদি লমদম অমা লু-নান্না থম্বা হায়বসে লৈঙাক্লা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং পীবিবা মথৌ তাবদুগীনি। খুদম খরা পীজরবদা, অমোৎ-অকায় হুন্দোকফম ত্রাশ, কেন্স, দষ্টবিন অমদি গার্বেজ ট্রকনচিংবসি লৈঙাক্লা পীবিগদবনি। লৈঙাকলোয়না পুথোক্তুনা থম্বীরবসু মীচম মীয়ামনা ত্রাশ, কেন্দা, দষ্টবিনদা হুদোকপগী হৈনবীসিমা লৈত্রবদি লৈঙাক্লা ফনা হোৎনরবসু করিমত্তা কান্নবা ফংলোই। লু-নান্না থম্বগী হৈনবীসিমা লৈঙাকসু মীচম মীয়ামসু তমশিনবা য়াম্না মথৌ তাই। তশেংবগীদি ঐখোয়সে য়াম্না লু-নান্না হিংবা পামজবা মীওইনি অদুবু ইশা ইশাগীতা খনবনা যূমদগী হেক খোঙ থাংদোকখ্রবদি চাইথোকপা, হুন্দোকপা অদুম হৌরে। মসি ঐখোয়গী য়াম্না ইশা ইশাগীতা খনবা ৱাখল্লোনদু উখোকচবনি। য়েংবীয়ু ন্য য়রগী পিক্নিক চৎপদা তুরেল খোংবান্দা চাখায়দুনা হুদোক্লম্বা অমোৎ-অকাই ময়ামদো উবদা য়াম্না থম্মোয় শোকই। অসুক নীংথিজবা, ফজবা লমদমসিবু মচা মশু ওইবা ঐখোয়না ইশা ইশাগীতা খনবনা পুমচাই চাইহল্লে, পুংমোৎ মোৎহল্লে।

লোইশিল্লকপদা, লমদমসিদা টুরিজম ইন্দষ্ট্রি ফগৎহন্দুনা ইরমদমগী শেন্মিৎলোনদা মতেং পাংহনসি হায়রবদি লুপা ক্রোর ক্রোর থাদদুনা ফেষ্টিবেল কয়া অমা পাঙথোকপা অসিনদি কান্নবা পুরক্লোই। মরু ওইবা ফেষ্টিবেল অমা/অনী নীংথিনা পাঙথোক্লগা অতৈ ফেষ্টিবেলশিংদা থাদরিবা শেনফমদুদি লম্বী থোং নীংথিনা শেমগৎপদা, টুরিজম স্পোটশিং শেমগৎপদা অমদি লমকোয়বশিংনা মনিং তম্না শেল ইচং চঙদনা লৈবা য়াবা মফমশিং (হোমষ্টে অমদি হটস) নীংথিনা শেমগৎ শাগৎপদা থাদবিবনা হেন্না কান্নবা পুরক্কনি। লোয়ননা লমদম অসিবু লু-নান্না থম্বীবা অসি য়াম্না মথৌ তাই হায়বসে লৈঙাক অমদি মীচম মীয়াম পূম্নমক্না কাউফদে। অতৈ হীরম কয়া অমসু লৈরি, মতাং চাবদা ইজরক্কে। য়াইফমিন্নরসে। ●



# অমাইবীশিংগা উমংলাই হরাওবগা লৈনবা মরী # ১

- লোংজম তেম্বী -

হৈ হৈয়া হে নহান নোং মালেম অসি ইকোক কোক্না ইতিং তিংনা লৈরম্বদগী মপল-পন্থৌগী য়াথং মতুং ইল্লদুনা 'অশিবনা' মালেম লৈশেম নোংশেন্বীরক্তুনা ঙসি ফাওবা লৈরি। মালেম অসি শেন্বীরবা মতুংদা নমু তাইবঙ হায়বা অমা অমুক থম্বীরম্মী। চীংঙু খোইয়ুম মখোয়গী ময়োলদগী থোকখিবা মকাদগী শাৎখিবা তাইবঙ মীওইবা হায়না থম্বীরম্বা নমু তাইবঙ মীওইবশিং কয়া অসিগী মরক্তা অমুকসু খেন্নবা থম্বীরম্মী। পাক চাউরবা মালেম তাইবঙপাল অসিদা অমগা অমগা মান্নদবা কয়ামরুম অসিগী মনুংদা অমুকসু খ্বাইদগী তোপ-তোপ্না তাইবঙ মীওইবশিংগী মরক্তগী অমুক তোখাইনা 'অমাইবী' হায়না থম্বীরম্মী। অমাইবী হায়বা নমু তাইবঙ অসিদি মীওইলক্তগী তোপনা য়াহিপ, ফম্ফম, চাকচা, ঙাচা, ফিজেৎ লৈতেং মানদনা থম্বীরম্মী। চীংঙু খোইয়ুম লাইশিংনা থুপ্না লৈখ্রবা মতমদা নমু তাইবঙ পানবশিং অসিনা চীংঙু খোইয়ুম মখোয়গী মতিক ময়াই কয়াশিং অদুবু খঙহৌ-উহৌরসনু খন্দুনা তাইবঙ মীওইবগী মরক্তা খেননা থম্বীরম্মী। অমাইবী অসি চীংঙু খোইয়ুম লাইশিংগী শিন্থারোই অমদি মঙাইরোইনি। মখোয়গী পাখোল লাকপনি। চীংঙু খোইয়ুম লাইশিংনা থুপ্না লৈখ্রবদা চীংঙু লাইগা নমু তাইবঙ পানবগা চেংলৌ শকচান্নরগা ৱাঙাংনবা য়াদবগীদমক্তা লাইশিংনা চীংঙু শাদোংদুনা নমু তাইবঙদা শাফোংবনি অমদি শাদোংবনি চীংঙু লাইশিংনা লংলা অমা তিংবিরম্মী।

মাইবী অমনা ইহান হান্না লাই তোংবা হৌরকপা মতমদা লায়না লাইওং খঙদনা ঙাওনা ফৈনা নাবা হৌরকই। অদুগী মতুংদা লৈবাক্কী অমাইবা-অমাইবী তানদুনা ঙাওনা ফৈনা নারিবা অদু শরোই ঙারোই চীংঙু লাইয়ামগী মচিঞ্জাক তিনখাই লাইখাইগনি। তিনখাই লাইখাইবা লোইরবা মতুংদা মমা ওইগদৌরিবা অদু থিরক্কনি অমদি মমা অদুনা হেক্তা লৱাই শরিক থাবা য়াদে। মাগী মচা অশেংবরা হায়দুনা মমা ওইবী অদুনা য়েংগনি। মমা মশক খঙলবা মতমদা মমা ওইবী অদুনা লৈমরেন চুক শৎপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। মসি অমাইবীগী খ্বাইদগী মরু ওইবা লাইথৌ অমনি। চুক শৎপা মতমদা মমা ওইবী অদুখক্তনা লৈমরেন চুক শৎপা য়াদে। মমা ওইবী অদুনা লোইশঙদা পুখৎতুনা লোইশঙগী অমাইবা অমদি পেনা অশৈবা য়াওনা লাইথৌ অদু পাঙথোক্কনি।

হৈজিং খরাই, অথেনপোৎ অহুম - (১) লাইনিংথৌ (২) ইমা লৈমরেনগা (৩) লমলাইগী হৈথা লৈথা থাদুনা লৈরবা মতুংদা পেনা অশৈবনা লাই য়াকাইগনি। অমাইবনা অনম-অথৌ কোক্কনি। মসিগী মতুং তারকপদা ইমা লৈমরেনগী মপাদা চুক ৪ য়ুংগনি। চুক অদু শাইতিংখংগা লাঙ্গোমগনা চুক ওইগনি। লংজা ৭না খোইরি ওইগনি। লাংথ্রৈ মতোন ৭না তিংলিবা লংগী মতোন্দা কিগনি। চুক মরি অদুদি থাংজিং, মার্জিং, ৱাংব্রেন, কৌব্রু চুকশিংনি। চুককী লং কিবা মতমদা থাংজিংদগী হৌরগা থাংজিংদা লোইগনি। অমাইবনা চুকশৎ লাংকাইরোল লাইরোন শোন্দুনা চুক শৎকনি, পেনা খোংগনি, শরিক খিংগনি। মসি হেক লোইবগা লাই তোংলিবা অদুগী খোইদা হীরি তিংলবা লাংথ্রৈ য়েৎলিবা লং অদু চুক শৎপগা লাংথ্রৈ অদু খোইদগী শৎকনি। মসি তৌবা মতমদা কৌনা ফক অমদা ফি অঙৌবা থাগনি, মশাদসু ফি অঙৌবা কুপকনি। চুক শৎলোন লোইরবা মতুংদা লৈনুং খুনুংলোন নিগনি। লৈনুং খুনুংলোন নিবা মতমদা পেনা অশৈবনা পেনা খোংগনি। মাইবী মমা অদুনা লৱাইদা শরিক খিংগনি। মসিবু কৌই লৈনুং খুনুংলোন নিবা।

লৱাইদা শরিক থাখ্রবা অমাইবী অদু লাইগী লাইপাও পীবা হৌরক্লগনি। মরম অসি লৈবনা অমাইবীগী মমা অহানবদি ইমা লৈমরেননি, ইমানা অমাইবীগী অহানবা হৌরকফমনি, ইমানা পোকপীবনি। মরম অসিনা অমাইবীনা চীংঙু খোইয়ুম লাই খুদিংমক্কী লাইগী লাইপাও পীবা মতমদা ইমা লৈমরেনবু কাউবা য়াদে, লাদা ফম্বসু ইমাগী তম্পাক্তা ফম্বনি। লৈহৌরোন লোনবা মতমদা ইমাগী মতিক ময়াই পল্লগা ইমা লৈমরেন শিদবীনা লৈয়েং লৈতোন ওইবীয়ু, লৈয়েং থক্তা ফম্বীয়ু হায়না থৌনিজগনি। অসুম্না অমাইবীশিংনা লাইগী থৌগল তৌবা হৌরকই।

মণিপুর খুন্নাই অসিনা য়াম্না লুনা চেৎনা লাইমক্লি থাজনরিবা ইমা মাইবী অসি খুন্নাই অসিগী য়াম্না মরু ওইবা লাইথৌ অমা ওইরিবা উমংলাই হরাওবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা ইমা হায়না মীংগৌনদুনা নোল্লুক্লরি। ইমা অমাইবীশিংগী ফিজেৎ অসি য়াম্না মরু ওইবা খঙদবা য়াদবা অমা ওইরি। অমাইবী অমগী ফিজেৎ হায়বসি অমাইবী চঙবা মতমদগী হৌরগা মমা কুরু শরিক থাদুনা লৈনুং খুনুংলোনগী লাইরোন নিবা নুমিৎ অদুদগী মমা কুরুনা মচা অদুদা চরৈ ফি অঙৌবা শেৎপী ইনবীগনি। মদুগী মতুং তারকপদা লাইগী থৌরম চহী ৩ চুপ্না চৎমিন্নরবা মতুংদা লাইরোন খঙলে, মমা মাইবীগী মচৎ, থকসি-খাসি, অমাইবী অমনা তৌগদবা, চৎকদবা, চাগদবা খঙলে হায়বা খঙলবা মতুংদা লৈবাক্কী নিংথৌ অমদি লৈমরেনবীগনা শরোং শেৎপা য়ারে হায়দুনা শরোং ফি পীদুনা শরোং শেৎপা হৌই। অদুগা অমাইবী অদু নিংথৌগী লাই অমদি লৈবাক্কী উমংলাইশিংগী লাইথৌ-তিন্থৌ পূম্নমক পাঙথোকপা হৌই। অদুগা নিংথৌ লৈবাক মীয়াম খঙলবা মনা ফংলবা মাইবী অমগা মনা ফংদ্রিবা মাইবী অমগগী ফিজেৎ অসি য়াম্না খেন্নৈ। নিংথৌগী মনা ফংদ্রিবা মাইবী অদু অঙৌবা ফিজেৎ শেৎকনি, নিংথৌগী মনা ফংলবা মীইবীগী ফিজেৎতি শরোং, লংথাং খুহৎ, রেসোন ফুরিৎ খুদাং অচোনবী অমদি খুজি তাল হায়রিবা ফিজেৎশিং অসি শেৎ-ইনগনি। অদুবু মমাঙঙৈদদি রেসোন ফুরিৎ অসি লিৎলমদে, নিংথৌ বোধচন্দ্র মহারাজ হাক্তক্তগী রেসোন ফুরিৎ লিৎপা হৌরে হায়না অরিবা লাইরিকশিংদা পল্লি।

ইমা অমাইবী অমনা চীংঙু খোইয়ুম লাইগী লাইথৌ থৌগল শিন্থা পাংবা মতমদা লাইফি শেৎপা মতমদগী লাই ইহৌবা নুমিৎ অমদি যূমগী লাইথৌ চৎপা খুদিংমক্তা অচম্বা ফিজেৎ অসিনা শেৎ ইনগনি। অদুগা চীংঙু লাইগা হকথেংনদুনা লাইথৌ তৌরবদি কোকয়েৎ ফী নীং কুপ্না শেৎপা অমদি চিনফি কুপকনি, মসি থৌগল্লোননি। চীংঙু খোইয়ুম লাইদা থৌগল্লোন চৎনবী মীয়ামদসু তাকপনি। অমাইবীনা চরৈ ফিঙৌ শেৎ ইল্লিবা অসি ইশাগী মশক তাকচবনি। হায়বদি অমাইবী অসি থম্মোয় শেংবা, অমকপা য়াওদে, অশেংবা অচুম্বা ৱাচুম শূবীনি, থবক থৌরম খুদিংমক্তা থম্মোয় শেংবা মীনুংশি লৈবী ঐগী মীগী খায়দনা অফবা ৱাখল খনগদবনি। চীংঙু লাইগা পাংখকনি হায়বা উৎপনি চরৈ ফিজেৎ অঙৌবা অসিনা নুংদা চেল্লিবা ঈচেলগী ঈহুলগী মশক তাকই।

খাবি মচিল থিহৈদে অমাই, মরৌ তৌহৈদে। ইশাগী ওইজবা থাদোক্কনি, মালেম ইমাগী মশকনি। তাইবঙ মীওইবা ওইনা মীরমলেন্দা তিল্লবসু মীওইবগী মচৎশিংগা অসুক্কী মতিক খেন্নবা কয়া চীংঙু লাইশিংনা থম্বীরম্মী। মালেম অসিদা লৈরিবা তাইবঙ মীওইবা খুদিংমকশিং অসিসু ৱাখল পূক্নিং মান্নদবতা নত্তনা কাঙলূপ কয়া থোক্লা খাইদোক্তুনা থম্বীরম্মী। অদুগী মথক্তা ফিজেৎ, চাকচা, মাগী-মাগী মচৎ খাইদোক্তুনা থম্বীরম্মী। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।